## ষ্টেট ইন্টর স্কুল গেমস ২০১৪

# নুপীমচাগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

FOOTBALL

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ঃ* দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টসনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসেল টর্ফ অমদি প্রেক্টিস গ্রাউন্দদা চথরিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল গেমস ফুটবোল মশান্নগী চহী ১৭ মখা নুপীমচাগী সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে। সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ (এ)গী ৱিন্নর বিষ্ণুপুর, রন্নর্স অপ থৌবাল, গ্রুপ (বি)গী ৱিন্নর ইম্ফাল ইষ্ট অমদি রন্নর্স অপ জিরিবামনি। সেমি ফাইনেলগী মেটচশিং হয়েং অয়ুক্তা শান্নগনি।

নুপামচাগী শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা গ্রুপকী লীগ মেটচশিংদা কাংপোকপীনা থৌবালবু গোল ৪–০ দা, উখ্রুলনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু গোল ২–১ দা, বিষ্ণুপুরনা জিরিবাম্বু গোল ৭–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। চান্দেল অমদি ইম্ফাল ইষ্ট গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে। হয়েং গ্রুপ লীগকী মেটচশিং শান্নবা লোয়শিল্লগনি।

নুপীমচাগী শান্নখিবা মেটচশিংদনা বিষ্ণুপুরনা চুড়াচান্দপুরবু গোল ১৪–০ দা, ইম্ফাল ইষ্টনা কাংপোকপীবু গোল ৬–০দা, বিষ্ণুপুরনা থৌবালবু গোল ৬–০ দা অমদি জিরিবাম্না কাংপোকপীবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।



*উখ্রুলগা শান্নখিবা গ্রুপ (এ)গী লীগ মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টগী দিফেন্দর চলাম্বনা ক্লিয়ন তৌনবা হোৎনখিবা*

বিষ্ণুপুর অমদি চুড়াচান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদু রঞ্জিতানা ৫, প্রেমি চিরুনা ৪, রঞ্জিবালা অমদি লিমনৈকিম্না ২ / ২ অমদি অচৌবীনা ১ চনখিবনি। চুড়াচান্দপুরগী চিঙ্খোক্কীমদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ইম্ফাল ইষ্ট অমদি কাংপোকপীনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু সুমিলানা ৩, কস্মিনা, টি রঞ্জিতা অমদি জন্দানা অমমম চনখিবনি।

জিরিবাম অমদি কাংপোকপীনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী জিরিবামগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জন্দা রোংমৈনা চনখিবনি। গোল চনখিবা জন্দা রোংমৈদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

বিষ্ণুপুর অমদি থৌবালনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদু রঞ্জিবালা অমদি এ রঞ্জিতানা ২ / ২, লিমনৈকিম অমদি প্রেমি চিরুনা অমমম চনখিবনি।

নুপামচাগী থৌবাল অমদি কাংপোকপীনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী কাংপোকপীগী গোলশিং অদু লমগীন সিটলৌনা ৩ অমদি নিকেসনা ১ চনখিবনি।

চান্দেল অমদি ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী চান্দেলগী গোলনা টি লিওপা ষ্টেফননা অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী গোলনা জয়ানন্দনা চনখিবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি উখ্রুলনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী উখ্রুলগী গোল অনী অদু সাংগুইসো কৈশিং অমদি রোমেশ সিংহাইনা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টগী গোল অদুনা পেনাল্টিদা আর কে রোবিননা চনখিবনি। উখ্রুলগী সুনজাংথাং, য়াংমি রাহিং অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর কে রোবিনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

বিষ্ণুপুর অমদি জিরিবাম্না শান্নখিবা মেটচ অদুগী বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদু কে ঐচ সিতলজিৎনা ৪, ঐচ আনন্দনা ২ অমদি দব্লিউ তাইবংঙানবনা অমা চনখিবনি।

হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তা কাংপোকপীগা থৌবালগা, পুং ৮.৩০ দা চান্দেলগা ইম্ফাল ইষ্টকা, নুংথিলগী পুং ১.৩০ দা ইম্ফাল ৱেষ্টগা সেনাপতিগা অমদি পুং ৩ দা বিষ্ণুপুরগা চুড়াচান্দপুরগা শান্নগনি।

# জুনিয়র,সেনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ঃ* এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা ৩০ শুবা জুনিয়র অমদি ৩৩ শুবা সেনিয়র ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ হৌখ্রে।



অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা চহী ১৮ মখা নুপামচাগী মিটর লিশিং ৩ গী লমজেলদা রাউগী কে রোমাজিৎ, ঐচ ৱাই সিগী এস ঐচ রোমেশ অমদি কে চাইমননা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখ্রে। চহী ১৬ মখাগীদনা এল এস এগী এম দি সদাক, কে টি সিগী এন বিজেস অমদি ঐচ ৱাই সিগী এন তোকিয়োনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

চহী ১৪ মখা নুপীমচাগী মিটর ৬০০গী লমজেলদা সাইগী পি খেরোদা, রাউগী নাওচা অমদি এল এস এগী মিস রাবিয়ানা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

নুপামচাগীদা এল এস এগী সহিদুর রহমন, কে ৱই সিগী এল রিসিকেস অমদি এল এস এগী এম দি মুস্তাকিম্না মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

চহী ১৮ মখা নুপামচাগী মিটর ২০০গী লমজেলদা সাইগী এম দি সদাম, ঐচ ৱাই সিগী এন জি কিরন অমদি কে ৱাই সিগী এ রোবিনসননা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

# ৱেষ্ট থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ৱাই দব্লিউ সি গ্রাউন্দ মালোমদা চথরিবা থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (বি)গী লীগ মেটচতা টি দি সি ময়াংলাংজিংনা বি বি এ ময়াংইম্ফালবু গোল ২–১ দা অমদি গ্রুপ (এ)গী মেটচতা পি সি সি ময়াইকোইবীনা এন সি সি খোঙাম্পাৎপু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টি দি সি অমদি বি বি এনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টি দি সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু ৱাই মালেমঙানবা অমদি এল হেমন্তনা অমমম চনখিবনি। বি বি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা তোলেননা ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। টি দি সিগী এল নোংপোকঙানবা, এম কিষন অমদি বি বি এগী অরুনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

পি সি সি অমদি এন সি সিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী পি সি সিগী গোল অনী অদুনা সুনিলকুমার অমদি রোমেশনা চনখিবনি। পি সি সিগী টি বিসো অমদি এন সি সিগী এস সনাথোইদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

মথংগী মেটচশিং তাং ৩১ দা শান্নগনি। অহানবা মেটচনা নুংথিলগী পুং ১২.৩০ দা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা পময়াল পাৎশোয়গা অমদি অনীশুবা মেটচনা নুংথিলগী পুং ১.৪৫ দা য়ু পি সি পিশুম ওইনাম লৈকাইগা এল এফ সি কংলাতোংবীগা শান্নগনি।

# এম এন সি নিংথেম্বম্না মিক্স কাংগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*জিরিবাম, ওক্টোবর ২৯ঃ* এম এন সি (এ) নিংথেম্বম্না অনীশুবা ই ব্রজকিশ্বর মেমোরিয়েল মিক্স কাং টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা জিরিবামগী কালিমাই মান্দপতা হৌখিবা আগষ্ট থাগী তাং ২৯ দগী চথরকখিবা কাং টুর্নামেন্ট অসি ঙসি লোয়শিনখ্রে। ফাইনেল মেটচতা এম এন সি (এ) নিংথেম্বম্না এল ই সি এ বাবুপারাবু টাই ব্রেক্তা পাঞ্জল ১৪–১১ দা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। টিম অনীনা অপীবা মতমগী মনুংদা পাঞ্জল ১০–১০ ফংনদুনা লৈনবদগী টাই ব্রেক্লা মেটচ অদুগী লাইবক লেপ্পখিবনি। বেষ্ট চেকফেন্না এল ই সি (এ) বাবুপারাগী শান্নরোই ৩ এন কুঞ্জমোহন সিংহ, কে বিরকুমার সিংহ অমদি এস মনিবালা দেবীনা তাখি। বেষ্ট লমথাগী মনানা এম এন সি (এ)গী কে মোহেননা ফংখি।

## য়ু–১৩ নেস্লেল চেছ

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ঃ* জমসেটপুরদা চথরিবা ২৮ শুবা নেস্লেল য়ু–১৩ চেছ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ গী ৭ শুবা রাউন্দ ঙসি শান্নবা লোয়শিনখ্রে। মণিপুরগী য়োহেনবা ঝারখন্দগী কুমার উৎকরসকী মখুৎতা মায়থীখ্রে। য়াইসনা টামিল নাদুগী সালিনি আরগা দ্রো ওইখ্রে। নোংথাং লৈমনা ঝারখন্দগী প্রকিতকী মখুৎতা মায়থীখ্রে।

## কৈশামথোং সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ঃ* লাইহিজিং নিংথৌ অপুনবা কাংখুৎ থাংমৈবন্দদা চথরিবা অহুমশুবা ৱাইখোম গম্ভীনি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কৈশামথোং কেন্দ্রনা থাকা থাংমৈবন্দবু পাঞ্জল ১৭–১৬ তা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ নবেম্বর ১ দা লাক থাংমৈবন্দগা খুন্দ্রাকপমগা শান্নগনি। মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শিংজমৈ অমদি নম্বোলনা তাং ২ দা শান্নগনি।

## লম্লাই কেন্দ্র ফুটবোল

*ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ঃ* তোলহল জুনিয়র হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দ শৈজাংদা চথরিবা নিল্লধজা মেমোরিয়েল লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচশিংদা ই য়ু এস সি তেলৌনা সি দব্লিউ সি নুঙ্গোই পৌরাবীবু গোল ৫–১ দা, য়াইঙংপোকপীনা এস পি ৱাই সি শৈজাংবু গোল ২–০ দা, ঐচ এস এস শৈজাংনা এস কে ৱাই সি শওম্বুং কবুই খুঞ্জাওবু গোল ৪–১ দা অমদি ও ৱাই এস দব্লিউ সি ওকসুনা এস এস সি সেক্তাবু গোল ৪–৩ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।
























Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*